# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 03-08-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথ্‌রি।

রাজ্যগা পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লাইরিয়েংবম মখা লৈকাইদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফাগৎখি। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা অমসুং অধার কার্ড অমা ফংখি। মখা তানা থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা হৈরোক উয়োক চীংদগী প্রিপাক (প্রো) গী লালহৌবা অনি ফাগৎখি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অনি, নোংমৈ মরু তরেৎ, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা, মোবাইল ফোন অহুম, সিম কার্ড মরি ফাগৎখি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা কাংপোকপী জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা থিবা হুন্বগী থবক চথ্‌বদা এন.দি.পি.এস. এক্টগী মখাদা মীওই অহুম ফাগৎখি। মখোয়দগী ব্রাউন্দ সুগর অমসুং ওপিয়ম কিলোগ্রাম অহুম, গঞ্জা গ্রাম ১৪০, শেল ওইনা লুপা লিশিং ২৩ অমসুং মোবাইল ফোন ১৪ ফাগৎখি।

মনিপুর পুলিস অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা নুমিৎ অসিমক্তদা লাঙ্গোল টাইপ টুদগী কে.সি.পিগী সেল্ফ স্তাইল মেজরনি হায়বা মীওই অমা ফাগৎখি। নুমিৎ অসিমক্তদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মন্ত্রি পুখ্রিদগী কে.সি.পি. (এম.এফ.এল) গী লালহৌবা অমসু ফাখি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী জিলাদা লৈবাক হার য়োনবা দুকানশিং অমসুং হার পৈশিনদুনা থল্লিবা গোদাউন্দশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথ্‌দুনা য়েংশিনখ্রে। মদুদা, হার য়োল্লিবা করবাররালাশিং সরকারদা রেজিস্তার তৌব্রা অমসুং আইন কায়বা

থবকশিং চথুব্রা হায়বসিগী মতাংদা য়েংশিনখি। নিয়ম কায়না হার য়োল্লন্বা দুকান দার অমসু ফাগৎখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামগী বোড়োবেক্রাদা হৌখিবা চহিদা পীল্লিবা অঙাং অহুম য়াওনা পুন্না নুপী তরুক তমথিবা মওংদা হাৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অমসু এন.আই.এ. অমসুং অসাম পুলিসকী কাংবুনা মিজোরামগী আইজোলদগী ফাখ্রবনি। থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওই অমসু এন.আই.এগী টিম অসিনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা অসামদগী ফাগৎখিবা লৈখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফাগৎলবা মীওই অদুগী মমিং থাংলিয়েনলাল মার কৌই। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা, সিম কার্ড অমা ফংবা ঙমখি। হৌজিক মখা তানা ৱাহং পাউহং চথুরি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙরাং কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা মীওই অমা থেংনখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী মীওই অদু ঙরাং কোবিদ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইবা থেংনখিবনি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী চেরোল অমনা হায়-হৌজিক রাজ্য অসিদা কোবিদকী এক্তিব কেস মঙা লৈরি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা কিষান সমান নিধিগী ২০ শুবা ইন্সটোলমেন্ট থাদোক্লুনা, লৈবাক অসিগী লৌমী কোতি ৯ লাখ ৭০ হেনবগী মশা মশাগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা লুপা লিশিং ২০,৫০০ গী শেনফম হাপচিনখ্রে।

উত্তর প্রদেসকী বরানাসিদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মফম অসিগা মহাক্কা অচেৎপা মরী লৈনৈ অমসুং ওপরেসন সিন্ধুর মায় পাক্লবা মতুং মফম অসিদা মহাক অহানবা ওইনা লাকপনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-বাবা বিশ্বনাথকী থৌজালগা লোয়ননা পাহলগাম এট্টেক্তা চেন্নবা মীওইশিং

লৈবাক অসিনা দন্দি পীখ্রে। লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ১৪০ হেনবগী অপুনবা থৌনানা ওপরেসন সিন্ধুর মায় পাকপা ঙমখিবনি।

শ্রী মোদিনা হায়-ওপরেসন সিন্ধুর মায় পাকপগা লোয়ননা মীপাল তাংদবা ভারতকী থৌনা মালেম পুম্বদা খঙহনবা ঙমলে। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা উত্তর প্রদেসতা শাবা ব্রামোস মীসাইলনা য়েকববু মাঙহনবা ঙমহনগনি। লৌমীশিংগী মতাংদা পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-পি.এম. কিষান সমান নিধি য়োজনা অসি সরকার অসিনা লৌমীশিংগী য়াইফনবা পায়খৎলকপা খোঙথাং অমনি। হৌখিবা চহি তরা অসিদা সরকার অসিনা লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা খুদিংমক কোকহন্নবা হোৎনরি। য়োজনা অসিগী মখাদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লুপা কোতি ৭৫ লাখ ৩ লৌমীশিংগী একাউন্টতা য়োহনখ্রে।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-সরকার অসিনা পি.এম. ধন ধানিয়া য়োজনা নৌনা হৌদোক্লে। য়োজনা অসিগী মখাদা লুপা কোতি লিশিং ২৪ কায়থগনি অমসুং য়োজনা অসিনা মপুং ওইনা  অপিক অপিকপা জিলাশিংদা মীৎয়েং থমগনি।

**শিবরাজ ঃ** কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়রি-মতম অমদা আমেরিকাগুম্বা লৈবাকশিংগী লৌউ শিংউগী পোৎথোক য়োনবা কৈথেলদা ভারতকী লৌউ শিংউগী পোৎথোকশিংসু অহোংবা মমলদা থাদোকবা হোৎনখি। অদুবু, মদু মায় পাকখিদে।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং ভারত সরকারনা লৌমীশিংগী স্বার্থদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা থবক পায়খৎপগীদমকসু শ্রী চৌহাননা থাগৎপা ফোংদোকখি।

পাটনাদা লৈবা বিহার এন্যিমেল সাইন্সেস য়ুনিভরসিতি কেম্পসতা ঙরাং নুমিদাং পাঙথোকখিবা ৱারি-ৱাতাই শান্নবগী থৌরম অমদা শ্রী চৌহাননা হায়-ভারত অসি মালেমগী ওইনা শেল থুমগী লমদা খ্বাইদগী খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লিবা লৈবাক অমনি অমসুং মসি কনানসু থিংবা ঙমলোই। শ্রী চৌহাননা হায়-লৈবাক

অসিগী মীয়ামদা স্বাদেসিগী ৱাখল্লোন চেল্লবদি ভারত অসি কনাগুম্বা অতোপ্পা শক্তি অমত্তগী মখাদা লৈরোই। লৈবাক অসিগী মীয়ামনা লমদমসিগী মীয়াম অমদি লৌমীশিংনা পুথোকপা পোৎথোক্তমক লৈনবসু মহাকা আপিল তৌখি।

**রাজিব ঃ** কেন্দ্রগী ফিসরিজ অমসুং এনিম্যেল হসবেন্দরি মন্ত্রি-রাজিব রঞ্জন সিংহনা হায়রি-মালেমদা ঙা খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপা লৈবাকশিংগী মনুংদা ভারতনা অনিশুবদা লৈরে।

নোংচুপ বঙ্গলা, বিহার, ঝরখন্দ অমসুং ছাতিসগরদগী লাকপা মীহুৎশিংগা লোয়ননা কোলকাতাদা ঙরাং মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ঙাগী পোৎথোক হেনগৎহন্নবা অমদি লম অসিদা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মীফম অদুদা পি.এম. মতসিয়া সমপদা য়োজনা, কিষান ক্রিদিট কার্ড অমসুং অতৈ তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়াগী মতাংদসু খন্নখি।

মন্ত্রিনা হায়-নোংচুপ বঙ্গলাদা খুঙ্গংগী লমশিং য়াওনা মফম কয়াদা পুখ্রি কয়ামরুম লৈ। মসিনা রাজ্য অদুগী ঙাগী পোৎথোক হেনগৎহনবদা চাউনা মতেং পাংগনি। পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়-ঙাগী পোৎথোক অসি ২০১৩-১৪ দা পুথোকখিবা চাং অদুগা চাংদমবদা ২০২৪-২৫ দা চাদা ১০৩ গী চাংদা হেনগৎলে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

জিরিবামগী মীচম তরুক হাৎপদা চেন্নবা মীওই অমগসু এন.আই.এনা ফাগৎখিবা, মনিপুরদা পি.এম. কিষান দিবস পাঙথোকখিবগী পাউশিংনা ঙসি ইম্ফালদা ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-পীক্লিবা অঙাং অহুম য়াওনা মমা-মচা পুন্না মীওই তরুক ফারবা মতুংদা তমথিনা হাৎখিবা থৌদোক্তা মপুং ওইনা চেন্নবা মীওই অমসু মখা তানা এন.আই.এনা ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লাঞ্জেন্নরিবা কুকিশিংগী ভোট থাদবগী হক মৎনবগী থৌওংনিঃ কোহুর। মনিপুরদা এস.আই.আর. পাঙথোকবা হোৎনরিবা অসিদা কুকি লুচিংবশিংনা য়েৎলক্লে হায়বা পাউ, সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। প্রাইম মিনিস্তর কিষান স্কিমগী মখাদা মনিপুরগী লৌমীশিংদা লুপা ক্রোর ১৮ য়েন্থোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

লাইনিং লাইশোনবু নৌনা লৈবাক অসিদা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবগীদমক শিজিন্নরি হায়না মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফম পাউচেদা-মনিপুরদসু পি.এম. কিষান দিবস পাঙথোকখ্রে। ২০ শুবা ইন্সটোলমেন্টকী ওইনা লৌমী লিশিং ৭৪,৯৬৩ দা লুপা কোতি ১৮ শুপা ৯ দি.বি.টি. তৌরগনি হায়না এগ্রীকলচরগী দিরেক্তর-পিটর সলামনা থমখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিমক্তদা ইন্দিয়ান ওর্গান দোনেসন ডে পাঙথোকখ্রে। ওর্গান প্লানটেসনদা মনিপুরনা ভেষ্ট নোর্থ ইষ্ট এৱার্ড ফংলে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

লাঞ্জেল্লকপা ঐখোয়বু রিলিফ কেম্পতগী প্রি-ফ্রিকেটেদ হাউসশিংদা অমুক কয়া কুইনা থন্বীগদোইনো হায়না রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওই অমনা ফোংদোরকখিবা পেন্দবা ৱাফম হুহয়েন লানপাউগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি। মনিপুরগী এদুকেসন সেক্তর নোংম-নোংমগী ফজরক্লি-থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী হৈরোক হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা প্রিন্সিপাল অনি লৈরক্লে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।